সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসনদা অইবা চে থাদুনা ৱাকৎখ্রে : দেসাম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১(ঐচ এন এস):

দেসামনা টিচর এদ্যুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংগী মথক্তা য়েংশিন্দুনা থিগৎননবা সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসনদা অইবা চে থাদুনা ৱাকৎখ্রে হায়না ক্বাকৈথেলদা লৈবা দেসামগী হেদ ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা স্পোক্সপর্সন লৈশাংথেম লময়ানবনা ফোঙদোকখ্রে হায়না দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর খুন্নাই কন্ননবগীদমক দেসামনা ওজাশিংদা অচৌবা মীৎয়েং থমদুনা লাকখি। ওজাশিংতনা খুন্নাই অসি শেমদোকপা ঙমগনি। খুন্নাইগী অকিবশিং মাঙহন্দুনা খুন্নাই কনগনি হায়বসিদা থাজবনা ওজা ওইগদবশিংবু তাকপী-তম্বীবগী থবক তৌগদৌরিবা টিচর এদ্যুকেসনশিংদা দেসামনা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা লাকখিবনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী ওইনা ওক্টোবর ২৭তগী নবেম্বর ২ ফাওবা চথুরিবা ভিজিলেন্স এৱেয়রনেস ৱীক (ভি এ দব্লিয়ু) ২০২০দা মণিপুরদা লৈরিবা টিচর এদ্যুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংদা চথুরিবা অশোয়বা অরানবশিং অসি থিগৎপীদুনা ভিজিলেন্স এক্সন রিপোর্ট পীবীয়ু হায়না দেসামনা চীফ ভিজিলেন্স কম্মিসনদা ৱাকৎখ্রে।

দেসামনা ৱাকৎখিবা হীরমশিং অদুদি, ওজাশিংবু অমুক তাকপীগদবা ওজাশিংগী মাষ্টর ওফ এদ্যুকেসন (এম ঈ দি)গী এগজামিনেসনদা ক্বেসন লীক ওইরকপদগী দেসামনা লৈবাক মীয়ামদা পুথোকখি। এগজামিনেসনদা কাঙলোন নাইনা চুম্না পাঙথোক্কদবা ওজা ওইগদবশিংগী ইন্টর্নশিপ মমিংতগী ওইনা তৌদুনা লৈবা; টিচর এদ্যুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংদা তৌরিবা এদমিসন প্রোসিজরদা অশোয়বা কয়া লৈবা; টিচর এদ্যুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংদা রেগ্যুলর প্রিন্সিপাল লৈতবা, এন সী টি ঈগী নোর্মসকী ৱাংমদা গেষ্ট ফেকল্টি কয়া হাপচিন্দুনা লৈবা; ইন্সটিট্যুসনশিংদা কাঙলোনগী ৱাংমদা লৈফম থোকপা ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈতবা; য়ু জি সী স্কিম পন্দিট মোহন মালভিয়া নেসনল মিসন ওন টিচর এন্দ টিচিংগী মতুংইন্না দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসনবু স্কুল ওফ এদ্যুকেসনদা অপগ্রেদ তৌহন্নবা লুপা ক্রোর ১০ ওইনা এদিসনেল গ্রান্ট কাইথরক্লগা অপগ্রেদ তৌদবা, মদুগী মহুৎতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমদি এন সী টি ঈনা য়ানদুনা দিপার্টমেন্ট ওফ টিচরস এদ্যুকেসন ওইনা হাংদোরক্তুনা শকচিন্নখিবা অমদি টিচর এদ্যুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিং মতম চানা ৱেবসাইট অপদেট তৌদবা হায়রিবা ৱাকৎশিং অসিগী মতাংদা অইবা চেরোল ওইনা ৱাকৎখিবনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ব্রাওন সুগর শুংফম থুগাইখিবদা নিংঙোল ক্লবনা অপেনবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১(ঐচ এন এস) :

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টগী মনুং চনবা থৌবাল মোইজিং অৱাং লৈকায়দা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সুপরিন্টেন্দেন্টকী মীৎয়েং মখাদা ৱিমেন পর্সনেল য়াওবা কম্বাইন্দ টিম অমনা ব্রাওন সুগর শুংফম অমা থুগাইরগা ব্রাওন সুগর কিলোগ্রাম ৪৩৫ রোম ফাগৎপা ঙমখিবদা নিংঙোল ক্লবনা অপেনবা ফোঙদোরক্লি।

ক্লবকী প্রসিদেন্ট সোফিয়া খুনে দাংবমনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লমদমসিদা হৌজিক ফংলিবা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী চৈথেং অসিনা মণিপুরগী পোলোই লৈরক্তবগী ফীভমদা লাক্লি। ঙসিদি খুন্নাইসিগী মীওই অয়াম্বা মখল অমা নৎত্রগা অমগী ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং শীজিন্নদবা লৈরক্ত্রে। ইমুং খুদিংমক ময়াই কাবা চিঙ্গাক্লা শোক্তবা ইমুং লৈশিল্লক্ত্রে। মসিনা মরম ওইদুনা লমদমসিগী মীওই অয়াম্বা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মপান তাংদুনা হিংবা পুন্সি হায়বদু ওইরক্লিবসি ঐখোয় পূন্নমক্না খঙমিন্নবগী তঙাইফদবা য়ৌরক্লে হায়রি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অসিসু অনীশুবা গোল্ডেন ট্রাইএঙ্গল ওন্থোরকপা অসি পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লৈঙাক্লসু ময়াই কাবা চিঙ্গাক লমদমসিদগী মুথৎনবা হোৎনবদা মখল অমত্তগী মীয়ামগী থাজবা মাঙহন্নবা হোৎনফম থোক্তে। পুকচেল শেংনা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং থিংনবা হেন্না অকনবা থবকশিং পায়খৎপা মথৌ তাই। লোয়ননা ডা. এস ইবোমচানা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওইনা লাকপদগী ময়াই কাবা পোৎলমশিং থিংনবা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং শিংথাবদা লোইবা নাইরোই। দিষ্ট্রিক্টসিদা মীয়াম অমদি পুলিসকা অফবা মরী ফজনা থম্বা ঙম্লে। অদুবু হৌজিক্তি মদুগী খুদোংচাদবা লৈরক্ত্রে। মথক থোংবা ওফিসরশিংনা থবক তৌরকপদা মখা থাবশিংসু পুকচেল শেংনা থবক তৌরে হায়বা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পর্সনেলশিংদা মমি চাউনা তারি। মসি পূন্নমক এস পিগী পুকচেল শেংনা লৈবাক অসিগীদমক কৎথোকপা অমগা লোয়ননা মীয়াম্বু নুংশিনা লোয়নবা ঙম্না অদুননি হায়খি।

মোংশাঙ্গৈদা কোভিদ-১৯ মায়থিবা পীনবা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস):

মোংশাঙ্গৈ কনবা অপুনবা লূপনা শীন্দুনা ঐখোয় কোভিদ-১৯ মায়থিবা পীরসি হায়বা থিমদা পাঙথোকপা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা ঙসি মোংশাঙ্গৈগী এরিয়াদা চৎখ্রে।

মীয়ামগী খোঙচৎ অদু লমথাদ্রিঙৈগী মমাংদা মোংশাঙ্গৈগী কম্ম্যুনিটি হোলদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা মোংশাঙ্গৈ কনবা অপুনবা লূপকী কনভিনর অকোয়জম ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদি-১৯ লায়েংনবা লূপ অসিনা হান্নদগী হৌনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মাঙজিন থানা থবক তৌরি। কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি থিংনবা ঐ ইশামক হান্না চেকশিন থৌরাং লৌবগা লোয়ননা ঐগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং য়াওনা পুন্না লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন য়ুমদগী হেক থোকপদা মাস্ক উপ্পা, মী অমগা থেংনবদা ফিট তরুক লাপ্পা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা অমদি খুৎ-শা হাম্বদা সেকেন্দ ৪০ দগী ৫০ ফাওবা চংনা সাপোন্না শেংনা হামদোকপা মরু ওই। কোভিদ-১৯ ভাইরস অসিনা মণিপুরদা নাখিবা মীওই ১৮,০০০ হেনখ্রে অদুগা লৈখিদবনা ১৬৬ রোম শুরে। নীংথম থাগী মতমদা মহিক অসি মপাঙ্গল য়াম্না কনবা মরম্না ঐখোয় পুম্নমক য়াম্না চেকশিন্না লৈবা মথৌ তাই হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এক্স এম এল এ আর কে অনন্দনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা কোভিদ-১৯ অসি অহানবদা মীওই অমা নাবা হৌরকপদা মীয়াম্না য়াম্না চেকশিন্নরম্মী। হান্না গ্রীন জোনদা লৈরম্বদগী হৌজিক্লা ৱার্নিং লেভেলদা য়ৌরক্লবা মতম অসিদনা খরা কোমথোকপা ওইনা তৌই। কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয় পুম্নমক ইশাগী থৌদাং চপ চানা লৌসি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন চপ চানা ইল্লগদি কোরোনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমগনি। লোকদাউন তৌরম্বদগী অনলোক লাক্লিবা অসি লাইথোক্লোইসি। মীয়াম্না ৱাখল তানা কোভিদ-১৯ থেংন্নবা হোৎনসি। প্রাইম মিনিষ্টরগী জন অন্দোলন এৱেয়রনেস মী অমগা থেংনবদা ফিট তরুক লাপ্পা লৈবা, য়ুমদগী হেক থোরকপদা ফেস মাস্ক উপ্পা অমদি খুৎশা তোয়না শেংনা হামদোকপা য়াম্না মরু ওই হায়রি।

দোক্তরনা লায়েংবীদে হায়বগী মহুত্তা ঐখোয় ইশানা মেদিকেল ট্রিটমেন্ট তৌসি। কটেনমেন্ট জোন এরিয়াদা নুমিৎ ১৪ লৈরিঙৈদা লৈঙাক্লা মতেং পাংবা য়াম্না মরু ওই। ফ্রন্ট লাইনদা লৈরিবশিংনা লৈত্রবদি ঐখোয়গী খুন্নাই অসি হিংবা ঙম্লোই হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ১০৯ সী আর সী পি এফকী কম্মান্দেন্ট রিনোট কুমার, শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী এস দি পিও লক্সমি থিংবাইজম, রেদ ক্রোস সোসাইতিগী ডা. মোহেন অমদি সোসল ৱর্কর ওইনাম মালেসনচিংবা শরুক য়াখি। মতুংদা কোভিদ-১৯ মায়থিবা পীনবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদু মফম অদুদগী লমথারগা মোংশাঙ্গৈগী অকোয়বদা চত্তুনা এৱেয়রনেস পীবগা লোয়ননা মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবসু য়েন্থোকখি।

এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

জিরিবাম, ওক্টোবর ৩১(ঐচএনএস):

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা গোলাথোল কম্ম্যুনিতি হোলদা দিপার্টমেন্ট ওফ রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা এৱেয়র্নেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম ওন দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ৱিথ ইম্ফেসিস ওন কোভিদ-১৯গী মতাংদা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জিরিবামগী অধ্ক্ষক কে ঐচ জানকি, এ দি সী জিরিবামগী এন বকিম অমদি জিরিবামগী সী এম ও ডো. ঈ ওকেন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী সী এম ওনা কোভিদ-১৯লাইচৎ অসিদগী করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বগী মতাংদা ৱা ঙাঙখিবগা লোয়ননা রিছের্স পর্সনশিংনসু মীওইবা অমদি মহৌশানা থোকহনবা অমাঙ অতাশিংগী মরমদা ৱাহে কয়ামরুম থমখি। ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটিনা কার্দিওপুলমনরি রসসিটেসন অমদি ফর্ষ্ট এইদকী মতাংদা নৈনখি অমদি এস দি আর এফকী পর্সনেলনা মৈ চাকপা অমদি অমাঙ অতা থোক্লকপা মতমদা মীওই অসি করম্না কনগনি হায়বশিংগী মতাংদা দেমো তৌদুনা তাকখি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১(ঐচ এন এস) :

ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি (আই আর সী এস) গী পেট্রোন মেম্বর ওইনা লৈবিরিবা প্রোফেসর জি পি প্রসাইন হৌজিক্লা ত্রিপুরা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর ওইনা হন্দক্তা এপোইন্ট তৌদুনা জোইন তৌরবা পুকচেল চাউরবা পেট্রোন মেম্বর অসিনা মহাক মশানা থৌজবা মারুটি জেন ইষ্টিলো অসি রেদ ক্রোসকী এক্টিভিটিজ কয়ানা শীজিন্ননবগীদমক পুকচেল চাউনা দোনেট তৌখ্রে। মসিগীমক আই আর সী এস মণিপুরগী মায়কৈদগী পুকচেল চাউরবা প্রোফেসর জি এস পি প্রসাইনবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুদা আই আর সী এসকী চ্যেরমেন প্রোফেসর ৱাই মোহেন, সেক্রেটরি ডা. আর কে নিমাই অমদি চ্যেরমেন নরেন্দ্র নিংঙোম্বমসু শরুক য়াখি।

এন এম বি এগী মাষ্টর ভোলুন্টিয়রস ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১(ঐচ এন এস):

নাসা মুক্ত ভারত অভিয়ানগী মখাদা প্রিভেন্সন ওফ সবষ্টেন্স এন্দ অলকোহোল এব্যুজগী মতাংদা মাষ্টর ভোলুন্টিয়রস ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসি দিষ্ট্রিক্টসিগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিসনা পূন্না শিনমিন্নবনি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর খুমন্থেম দাইনানা হৌদোক্লগা এ উশারানিনা শরুক য়ারবশিংবু তরাম্না ওকপা অমসুং প্রোগ্রামগী নুংগী ৱারোল মীয়ামদা ফোঙদোকখি।

প্রোগ্রাম হৌদোকখিবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা মণিপুরগী নহারোলশিংগী মরক্তা দ্রগ এব্যুজ মায়োক্লুরকপগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। ঙরাংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী টোপিকশিংনা বেসিক ওফ দ্রগস এন্দ অলকোহোল হায়বসিদা রিমসকী সাইকিয়াত্রিক দিপার্টমেন্টকী হেদ ডো. আর কে লেনিননা ৱা ঙাঙখি। পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী নার্কোটিক সেলগী ও সী ইন্সপেক্টর কে ঐচ দেবকুমারনা দ্রগস ইন লিগেল পর্সপেক্টিভ হায়বসিদা ৱা ঙাঙখি। অদুগা এস এল সী এগী দিরেক্টর ডো. জয়েন্তনা রোল ওফ কম্ম্যুনিতি এন্দ ষ্টেকহোল্ডর ইন প্রিভেন্সন ওফ দ্রগ এব্যুজ প্রোগ্রাম হায়বসিদা ৱা ঙাঙলগা ক্রিপা ফাওন্দেসনগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর ক্ষেত্রিময়ুম জিবনমলানা ৱর্ক প্লান ওফ দি নাসা মুক্ত ভারত কেম্প্যেন হায়বসিগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

অসাম রাইফলসনা ভিজিলেন্স ৱীক পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১(ঐচ এন এস):

থাসিগী ২৮দগী হৌরক্লগা মথং থাগী ২ ফাওবদা পাঙথোক্কৌদৌরিবা ভিজিলেন্স ৱীক্কী মনুং চন্না অসাম রাইফলসনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী সটরক ভারত, সম্রিধ ভারত হায়বগী মখাদা ভিজিলেন্স ৱীক পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরমসিগী মনুং চন্না কৈথেল-মানবী, মন্ত্রিপুখ্রি, থৌবাল অমসুং নোনেদা লৈবা অসাম রাইফলসকী রেঙ্ক পূন্নমক্কী পর্সনেলশিংনা ইন্টিগ্রিটি লৈহনবা অমসুং মশাগী মথৌদা পূক্নিং চঙবগা লোয়ননা হীরম খুদিংমক্তা করপসন লাকশিন্নবা হোৎনবগীদমক ৱাশক লৌখি।

থৌরমগী মনুং চন্না মতৌ করম্না করপসন থিংগদগে হায়বা টোপিক্তা এসে রাইটিং কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি হায়রি। চাংদম্নবা অসিদা পার্টিসিপেন্ট কয়ানা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা অসাম রাইফলস অমসুং মীয়ামগী পুন্সিদা থবক্তা ওন্থোক্কদবা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগী মতাংদা অনৌবা ৱাখল্লোনশিং পীনরকখি হায়রি।

সিৱিং মেছিনশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১(ঐচ এন এস) :

নোনে দিষ্ট্রিক্টকী খোংশাং ভিলেজদা ১৪৩শুবা বট্টালিয়ন সেন্ট্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ) না সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্তুনা খোংশাংগী খুঞ্জা নুপীশিংদা মখোয়গী ইনকম জেনরেট তৌনবা অমসুং মশানা মশাবু হিংজনবগীদমক সিৱিং মেছিনশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অসিদা বট্টালিয়ন অসিগী কম্মান্দেন্ট লমখোকম লৌজেমনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা সিৱিং মেছিনশিং অদু য়েন্থোকখিবনি। মসিদা বট্টালিয়ন অসিগী এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট পৱন য়াদব, ৱিমেন সেক্রেটরি মেলোদি গোলমাই, য়ুথ লিদর কেনেদি কামৈ অমসুং ভিলেজ ওথোরিটি অমদি লোকল এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীওইশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

মপোক নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ককচীং, ওক্টোবর ৩১(ঐচ এন এস) :

ইরমদম শৈশক লূপ, খা মণিপুরগী ৭শুবা মপোক নুমিৎ থৌরম ঙসি ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলম লাই পাঙ্গনবদা পাঙথোকখ্রে।

'মাস্ক ইজ বেট্টর দেন ভেন্টিলেটর, হোম ইজ বেট্টর দেন আই সী য়ু' হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এলাংবম শ্যামসুন্দর প্রসিদেন্ট ইরমদম শৈশক লূপ, খা মণিপুর; চান্দম খোমৈ লেকচরর ককচীং হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং প্রফুল্লো শগোলশেম কম্ম্যুনিতি প্রোগ্রাম সেক্রেটরি রেদিও লোক্তাক, উচিৱা অহুম্না থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখিবা ইরমদম শৈশক লূপ, খা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এলাংবম শ্যামসুন্দরনা ইরমদম শৈশক লূপ, খা মণিপুর হৌরকখিবা অমদি লূপ অসিনা শাফোংলকপদগী মীয়ামগীদমক পাঙথোরকখিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি। লোয়ননা চহী নৌরিবা মণিপুরগী শক্লাইরবা শৈশকপা-শৈশকপী কয়া পুথোক্তুনা হোৎনখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

জন অন্দোলন কোভিদ এৱেয়র্নেস দ্রাইভ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১(ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ পেন্দমিক কন্ট্রোল তৌনবগীদমক জন অন্দোলন দ্রাইভকী মনুং চন্না অসাম রাইফলসনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙরাংদগী হৌরদুনা কোভিদ এৱেয়র্নেস দ্রাইভশিং চথখ্রে হায়রি। আই জি এ আর (সাউথ) কী চেরোল অমনা হায়বদা দ্রাইভ অসি শজিক, সেলোন অমসুং শঙ্কাইদা অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, শ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it .with meal, vegetables or tea without telling him

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6440/07/10-05/11

CROSSWORD-3606



ACROSS

- 1 Custodian of a museum (7)
- 5 Flavoured milk drink (5)
- 8 Adhesive (5)
- 9 Large wave (7)
- 10 In addition (7)
- 11 Poised for action (5)
- 12 Less burdensome (6)
- 14 Edge (6)
- 18 Put into words (5)
- 20 Maybe (7)
- 22 French port (2,5)
- 23 Florida resort (5)
- 24 Mistake (5)
- 25 Signified (7)

DOWN

- 1 Competent (7)
- 2 Hazards (5)
- 3 Foot-operated lever (7)
- 4 Strong and sturdy (6)
- 5 Take an oath (5)
- 6 Ungainly (7)
- 7 In good time (5)
- 13 Move like a snake (7)
- 15 Rower (7)
- 16 Discern (anag) (7)
- 17 Attach (6)
- 18 Worth (5)
- 19 Young eel (5)
- 21 Separated (5)

Solution 3605

P	A	R	I	S	H	■	R	A	F	T	E	R
I	■	O	■	E	■	■	■	M	■	O	■	U
F	E	M	U	R	■	C	O	M	P	A	S	S
F	■	A	■	G	■	A	■	E	■	D	■	S
L	A	N	T	E	R	N	■	T	H	Y	M	E
E	■	C	■	■	■	O	■	E	■	■	■	T
■	■	E	C	C	E	N	T	R	I	C	■	■
H	■	■	■	A	■	I	■	■	■	O	■	L
A	S	H	E	S	■	S	T	A	T	U	T	E
G	■	A	■	C	■	E	■	R	■	R	■	T
G	A	R	L	A	N	D	■	S	T	A	S	H
I	■	P	■	D	■	■	■	O	■	G	■	A
S	T	O	R	E	Y	■	U	N	W	E	L	L

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3405

		4		2				9
	5	9			4			
	7	1	9	3				4
		8			7			
4	9						7	8
			4			5		
1				4	6	7	9	
			5			8	2	
3				8		4		

Solution-3404

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

2	3	8	5	1	7	9	6	4
9	4	7	6	3	2	8	1	5
6	1	5	8	9	4	2	7	3
3	9	2	7	5	6	1	4	8
7	5	1	4	8	9	3	2	6
8	6	4	3	2	1	7	5	9
5	7	9	2	6	8	4	3	1
4	8	6	1	7	3	5	9	2
1	2	3	9	4	5	6	8	7

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN

FOUNDATION
Cum
REVISION COURSE for
CLASS - X (BOSEM)
Class Commencing on: 2nd November 2020 (2:30 p.m. - 5:30 p.m.)
CLASS - XI & XII Sc. (COHSEM)

* To be conducted with proper S.O.P.
* Seats are limited, 20 students per batch.
* First come, first serve.

For inquiry, Pliz. visit 'SANGAI HOSTEL' kwakeithel Ningthemkol #9862712287

HL-B/6601/14/10-1st Dec.(alt.)

লময়ানবা ইরাবত

ৱারী অমসুং খুৎয়েক : সামসন সলাম

ইরাবতনা মাঙবা-শেংবগী মায়োক্তা চেফোঙদা কলম অমা ইরম্মী।



সরকারনা ফদুনা মাবু কোর্টতা পুখোকখিবদা ইরাবতনা কেস ঙম্লম্মী।



মতম খরগী মতুংদা মাংবা শেংবগী ৱাফম মাঙখিরম্মী।